# এডিটোরিয়েল

## ইঞ্জিনিয়র কল্লিব্রা ঠিকাদার কল্লিব্রা

হন্দক থৌবাল ৱাংমা তাবদা মণিপুর সরকারনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী কৈথেলশঙ কয়া শাখ্রবা মতুং বিল্ডিংশিং শাবা লোইদুনা কৈথেল ফম্বীশিংনা মশা–মশাগী অপীবা সোপ নম্বরশিংদা হোংজিন্দুনা অৱৈবা শেনফম পুথোক্লন্দুনা তোঙানবা মশা মশাগী পোৎফমশিং লৌশিন্নবগী মতাংদা থৌদোক কয়া থোকখ্রবসু মদু পুম্বা য়ানবা পুরক্লবা মতুং কৈথেল অসি মণিপুরগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা দিষ্ট্রিক্ট অমগী কৈথেল অমা ওইনা ফম্বা হৌখি। মদুদা ৱাংহৌরিবা হায়ববু থৌবাল কৈথেলদা ঙায়োনবীশিংগী পোৎফম পীদে হায়বা অমখক ওইখি। য়েংবদা খ্বাইদগী ফজবা মার্কেট কমপ্লেক্স অমা হায়বসি থৌবাল কৈথেলনা ওইখি অমসুং মদু উবদা কৈথেল মরক ফাওনা চংলিবা মীওই খূদিংমক্লা থোয়দোক্লা শিংথানখিবনি। অদুগুম্বা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা রিপ্রজেন্ট তৌবা অমসুং টার্ম অহুল্লক হঞ্জিন হঞ্জিন চীফ মিনিষ্টর ওইরবা মীওই অমগী এরিয়াদা শাবা কৈথেলশঙ অমা হায়বসি ফজফম থোকই হায়বা মীয়াম্না লৌনরবসু হন্দক ইখঙ খঙহৌদনা কৈথেলশঙশিংগী মনুংদা অমা নোংমা নোংমগী ওইনা খজিক খজিক লৈনুংদা চঙখিবগী মতাংদা মীপায়নরবা মীয়াম্না মরুওইনা পোৎফম ফম্বশিংনা মখোয়গী পোৎফমশিং থাদোক্তুনা পোৎ–চৈ হোন্দোক্লখিবা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম অমদা লাকপা মতম অদু ফাওবা লমদমদুবু রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সিএম না থৌশাদবদগী থোকপনি হায়বসি কেন্দ্র অদুগী মীয়াম্না ফোঙদোকপা ঙমদ্রবসু সিএম মশানা লাক্লগা য়েংশিল্লবা মতুং থোক্লকপা ষ্টেটমেন্ট অদু য়াম্না পেন্নিংঙাই ওইদবা অমনি হায়না লৌবা তাই।

কৈথেল অদু শাবদা ইঞ্জিনিয়ারিংগী মায়কৈদগী অশোয়বা অমত্তা লৈখিদে হায়বা তারগদি ঠিকাদারশিংনা চপ চাবা ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী ইন্সত্রক্সনশিং অদু ইন্দবদগী থোকপা ওইগনি হায়না লৌবা তাই। অমরোমদা তুরেল তোর্ব্বানগা নক্লবা মফমশিংদা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী ওইনা হায়বদি ইন্টরনেসনেল হায়ৱে ২ ওল্লবা লম্বীসিদা অচৌবা নৎত্রগা মচা গারীশিংনা হঙ্গৎ–হন্দা নোংমগী মনুংদা চেল্লক্কনি হায়বসিদি মশানা তারবা পোৎনি। অসিগুম্বা অরুবা লম্বী অমগী মপান্দা লৈবা হায়বদি নৌনা শেমগৎপা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মরুওইবা মার্কেট কমপ্লেক্স অসি দিজাইন তৌরিবা অমদি মদুদা চঙগদবা শেনফম কয়া প্রোজেক্ট ওইনা শাগত্তুনা থাগৎখিবা ইঞ্জিনিয়ারশিং অদুনা শোয়দনা তুরেলগী তোর্ব্বান অমসুং মসিগা শন্নবা লম্বীশিংদা চহী চহীগী ওইনা অমসুং চহী মঙা মঙাগী ওইনা করম করম্বা অরূম্বা নৎত্রগা থোয়দোক্লা ফজবা কারনচিংবশিং চেল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়বসি খলহৌদবদগী ঙসি অরূম্বা বিল্ডিং অমা নমথরক্লবগী মরম অমা ওইহল্লকপনি হায়না লৌবা য়াই। মসিদা ঠিকা তৌরিবশিং অদুবু কনখৎপগী মওংদা ইঞ্জিনিয়রশিংনা প্লান শেম্বা মতমদা হায়রিবা থোক্লকপা য়াবা ফিভমশিং অদুগী প্লান তৌখিদে হায়না লৌবা তারগদি করম্বা মওংদা ষ্টেট অসিদা আইনগী ওইবা চৎন–লোনশিং ঙাক্তুনা থম্বা ঙমগদগে হায়বসি মীয়াম্না চাউনা হংলিবা ৱাফম্নি। ১৯৫০ গী নৎত্রগা ১৯৬০ গী নক্লরিবা মীতোপ হোংলকপগী থৌওংশিংনা য়েলহৌমীশিংনা ফঙজগদবা খুদোংচাবা কয়া মাঙহল্লে হায়না লৌরোইদবগী মরম অমত্তা লৈতে। মসিগী মতাংদা ঠিকাদারশিং অমদি ইঞ্জিনিয়রশিংনা শেম্বা লম্বীশিংদা চৎনিংদবগী ৱাখল্লোন অমা পোকহল্লকপনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মীতৈ কাঙলূপ মুৎখিগদ্রা চিংনদবা ঙমদে

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

হৌজিক ফাওবা ইজ্জৎ লৈবা তান্নবগী লমজেলদা য়াংবা তান্নরিঙৈ ঙসিদি মীতোপ্লা সহর খুদুম চনখ্রবনিনা–কুইররোই হান্নদগী মীনাই ওইবগী হৈনবী মপুং ফারগনি। য়েংউ য়েংউবা খুদিং নহামখৈনা নিষাদা ঈরুপ্পা তান্নরি নুপী–লৈশাবী মৌ নহামখৈনা ফী থোংবা তনবা তান্নরক্লি। ঙাইহাক লৈতে ইজ্জৎ মাংহল্লম্লে, হাৎলম্লে হুন্দোক্লম্লে ঐখোয় মশেল ঙাক্তা ওইরি। অহৈ অহৈবা অফাওবা মাইবা মাইবী কয়াগী শেন্দাল ওইরিবা পোৎশেম যাদু, মন্ত্রশিংনা মপা, মচা, মচিন মনাওশিং ঙাও–ফৈদুনা চৎহন্নবা মপোৎ মরল মুন্নবগী লমজেলসু য়াওরক্লি। মাইবনা হায়রবনি হায়দুনা পোৎশেম থম্বা চংগদৌরিবা ইমুংদুগী অমাংবা কোৎহল্লগা ইরুজহনবসু য়াওরি। লৈখিদ্রবা মপাগী থৱাই মাইবনা কৌথে াক্লগা নুংশিনদবা ইমুং অদুগী মীওইশিং থেংনহন্দুনা ঙাও–ফৈহন্না মাংনবসু শাগৈ নংতৈ মশেল নিঙোল হল্লকপীশিং থৱাই য়াওরি। ভারত সরকারনসু ফজবা অশেম্বা ৱারী তাহন্দুনা অঙাংসু ফেমিলি প্লানিং মেডল পীদুনা অমা নৎত্রগা অনীগী চাকথুং পীরি। মসিদা টিকি পীজরগা থাগৎপদা হরাওজবা জাৎ অৱাংবা লুহুপ উপচবা কয়ানা তুংগী পোরম খঙদবদগী ঙসি ঙসিমক ঐখোয় পূম্নমক মীনায় ফীদা ফমগদৌরে। ঙসিগী লুচিং ফীদা ফমলিবা লৈঙাক মপু ওইরিবসিসু মীতৈগী ডুপ্লিকেৎ ওইবা মরমদগী হৌজিকসু তুমদবা মী হৌদোকপগুম লৈথোক্লি। লমদম অসিগী মীতৈ এম পি অসিসু মীতৈগী হৌরকখিবগী ৱারী খঙদবা অঙ্কদা ঙাওবা মী থাগৎলবনিনা মীতোপ মীয়ামগী মখাদা মীনায় ওইনা হীংবা তাবনি। মসি পূম্নমক কংগ্রেস সরকার অসিগী মরাল ওইগদৌরিবনি। হৌজিক কুম্মৈ ফীওংদা ঙাওরিবা লান্ন–তৌরমশিংদা লুহোং কৈহোংবদা শেল থাবদা অথোয় অহেন নুপী ফাওবা য়াওনা তান্নরক্লি। লুহোংবগী বরদা শেল থাবা, বর মমাদা শেল থাবা শেল চায়বা তৌদুনা নুমিৎ অদুগী মীয়ামশিংবুসু মতম মাংহল্লি। ইশাগী জাতি চৎনবীশিং ধৰ্ম্মগী লাইনিংগী ৱাংমদা মীতোপশিংগী লৈরিবা চৎনবী পূম্নমক্তসু শরুক য়াশিন্দুনা মশাবু মমল য়াওহঞ্জদে। মশানদি মহাক সঙ্গ য়াম্না চাওবা মীওই অমনি হায়না মশা মথন্তনা খঞ্জবা ঙমই। ঐখোয় করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি ঙসিগী মিনিষ্ট্রিশিংসু অফিসার খুদিংমকসু খন্থবা অমত্তা য়াওদবনা ঙরাংতা লাকইবা মীতোপ কাঙবুনদি ভেং কয়া শেমদুনা ইম্ফাল সহর পায়শিনখ্রে। লমদম অসিগী অখঙ অহৈ লাইরিক হৈবা কয়াসু রিজার্ব চৈশু উবদা স্যার! স্যার! কোইতান তান্নদুনা ইন্নরি। লৈবাক কনদৌরিবনি হায়দুনা লৈরিবা সংস্থান খরনসু ১৯৫১ না বেজ ইয়ার ওইহনবদা মীগীদমক মমা কায়নৌ হায়বগুম্না য়ানিংদবা উৎলি। অশেংবা অচুম্বা হায়বদা মীতোপকীনিবু হায়রবদি অচুম্বা খুদিংমক য়েক্লবা ওইরে। লমদমসিগী তম্পাক্কী শরুক খরদং লৈরিবসিদা ঙসিদি ভেং কোলোনি কয়ানা শৌগ্রী হৌবগুম হৌরক্লে । মসিদসু অমুক হোমলেণ্ড মেপ য়েকখৎলক্তুনা কোইয়েন য়েনলি। ঙসিগী লমদমসিবু কন্ননবনি হায়দুনা সংস্থান কয়া অরোৎপদগী অফোংবদগী লৈরিবা ময়াম পূম্নমক্লা খঙবা ঙমদবদৌনা লৈরি। ময়েক উ–ঙমদ্রবা লমদমসিগী নিংথৌনসু তাদ্রবা না পান্দুনা ঙসিদি লৈমা জগোয় য়েংদুনা পার্সেন্টেজ মোন খাংলিঙৈ বন্দ ব্লোকেড ফিল্ম কাপ্তুনা ইজ্জৎ মাংহনখিবগী শৈরেং তারিঙৈ টি ভি দা শক উৎলিঙৈ, লৌবুক খুদিং ট্রেন খোঙ্গুল তাহন্দুনা মীরম খোংতেক মীত্তাং কৌশিন্দুনা মীতৈ কাঙলুপতি শোইদনা মুৎখগদ্রা পাখত্তবা ঙমদে।

**অদোমগী,**
**এস ৱাই চনু**
**খা–পোৎশঙবম।**

# শ্রীমদ্ভাগবদ গীতাগী মরমদা স্বামী বিবেকানন্দগী মীৎয়েং # ১৬

*লৈবাকপোকপা খুদিংগী...*
**সত্যম–শিবম–সুন্দরম**
**কে সি নন্দ**

উদ্ধরেৎ আত্মনাত্মনং নাত্মানং অবসাদয়েৎ।
অত্মৈব হ্যাত্মনো বন্ধুরাত্মৈব রিপুরাত্মনঃ ।।৫ ।।

অৱাংবদা নশানা নশাবু থাঙ্গৎচৌ, অনেম্বা লৈখাদা খক থাদগনু নশাবু। নঙগী অশেংবা মরুপ হায়বদুদি নশামক্লি, নঙগী খ্বাইদগী ফত্তবা য়েক্লবসু নশামক্লি ।।৬–৫ ।।

ঐদি উপায় লৈত্রবনি, অসুম হায়না খনবদি তশেংনমক য়াম্না লাল্লি। মী অতৈগী মতেঙ নীরুগনু। ঐখোয়গী মতেঙদি ঐখোয় ইশামক্লা ওইবনি। ঐখোয়না ইশা ইশাবু মতেঙ পাংদ্রবদি কনানসু মতেঙ পাংলোই। অচুম্বা ৱাফমসে চপ চানা খঙনবা হোৎনবদা মতম কয়া শাংনা চঙহনখ্রবনো! অচুম্বসি চপ চানা হেক খঙবদা অনৌবা উপায় খরা হেক্তা থোরক্কনি। অচুম্বসি খঙদ্রিঙৈদা কয়াদা য়াম্না অৱাবশিং খাঙলকখ্রবা! অরানবা থাজবশিংনা পুমকোই কোয়শিন্দুনা, মীগী মতেঙ থিদুনতা অরেম্বদা কোয়চৎ চৎলমখি।

"Be not afraid. Think not how many times you fail. Never mind. Time is infinite. Go forward; assert youself again and again, and light must come. You may pray to every one... but who will come to help you? Help thyself out by thyself. None can help thee, friend. For thou alone art thy greatest friend.."

(কিগনু। কয়ারক হননা মায় পাকখিদ্রে হায়বদু খল্লুরনু। করিসু ৱারুনু। মতম হায়বসিদি (তশেংবদি) মপান্নাইদবনি। মাঙদা চৎখৎলু, নশাগী অঙম্বা শক্তিদু ফুদোকউ হন্না–হন্না, মঙাল দু শোয়দনা লাক্কনি। নহাক্লা মী খূদিংদা (মতেঙ পাংবীনবা) হায়জরুবা য়াই অদুবু নঙবু মতেঙ পাংনবা কনাবু চোংথোরক্কদগে? নহাক নশাবু নশামক্লা মতেঙ পাংজৌ। মী অতৈ অমত্তনা নঙবু মতেঙ পাংবা য়ারোই, মরুপ। মরমদি নঙগী খ্বাইদগী অশেংবা মরুপ হায়বদুদি নঙ নশামক্লি.. ।)

নঙ নশাদি অচম্বা জীবদি নত্তে, নঙবু কনানা মতেঙ পীগদৌরিবা! নঙদি সংসারসিগী মপু ওইরিবা অমসুং পোকপা শিবা নাইদ্রবা আত্ম অদুনি, নঙনবু করম্বা থৱায় পানবশিংদগী মতেঙ নিফম থোকপগে? নঙতনা অতৈশিংদা মতেঙ পীদুনা সংসারসি শেল্লকখিবনি, চাউখৎপা য়াইফবা হায়বদু নঙতনা পুরকখিবনি। অশোনবা জীবশিংনা অকনববু করম্না মতেঙ পাংগনি। লান্না খনবা ৱাখল হায়বদি নঙসু অসোনবা মীনি খল্লিবদু খুদক্তা লংথোকখ্রো। নঙনা তৌবা ঙমদবা করিমত্তা লৈতবনি খঙঙু।

They tried, and they failed. Why ? because few of them ever studied their own religion, not one ever underwent the training necessary to understand the mother of all religions. I claim that no destruction of relegion is necessary to improve the HIndu Society, and that this state of society exists not on account of religion, but because religion has not been applied to society as it should have been... It will take time, a long time to study. Have patience and work... Save youself by yourself.

(মখোয়না হোৎনখি, মখোয়না মায় পাকখিদে। করিগীনো? মরমদি, মখোয় মশাগী ধৰ্ম্ম ফাওবা মুন্না খঙনবা নৈনখিদে, মখোয়গী মরক্তা কনা অমত্তনা ধৰ্ম্ম পুম্বগী মমা (হিন্দু ধৰ্ম্ম) বু খঙনবগী থিজিন খোৎচিনবা তৌরমখিদে। ঐনা তশেংনা হায়নিংই, হিন্দু সমাজবু চাউখৎহন্নবগীদমক ধৰ্ম্ম অমত্তবু নমথবা অমদি মাঙহনবগী দরকার ওইদে, অদুগা হৌজিক ওইরিবা সমাজগী ফিভম অসিদি ধৰ্ম্মনা মরম ওইবা নত্তে অমরোমদা সমাজদা ধৰ্ম্মগী ওইফম থোকপা মওংদা (মীয়াম্না) শীজিন্নরকখিদে.. মসি মতম চঙখিনি, মসিবু থিজিন্নবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙখিগনি।খাঙবা কল্লু অমদি লেপ্তুনা থবক তৌ... নশাবু নশা নশানা কনজৌ।

জ্ঞান বিজ্ঞান তৃপ্তাত্মা কুটস্থৌ বিজিতেন্দ্রিয়ঃ।
যুক্ত ইত্যুচ্যতে যোগী সমলোষ্টাস্ম কাঞ্চনঃ ।।৮ ।।

জ্ঞান অমসুং ৱাখল লৌশিংনা মরম ওইদুনা কনাগুম্বা মীশক্কী থম্মোয়দা অপেনবা লৈরবা, অদুগা চাং নাইবা খোঙচত্তা লৈরবা, মাগী মফমদা লৈপাক, নুঙ অমসুং সনা চপ মান্নরবা (খেন্নদ্রবা) মহাক্তু মপুং ফারবা যোগীনি।

ধৰ্ম্মপাদ

(বৌধ ধৰ্ম্মগী লাইরিক) হায়বসিদসু মথক্কী ৱাফমসিগা মান্নবা কয়া য়াওরি। জ্ঞান তানশিনবা অমসুং চপ চানা খঙবা হায়বদুগী খ্বাইদগী অরোইবা থাক্তা য়ৌরবদা ফিভম খূদিং চপ মান্নখ্রনি, পোৎ খূদিং খেন্নবা লৈরোই, মশাগী ইন্দ্রিয়শিং পূম্নমক্তো মপুং ফানা খুদুম চনখ্রগনি। হায়রিবা তাঞ্জা অদুদনি 'জ্ঞান বিজ্ঞান তৃপ্তাত্মাকুটস্থো বিজিতেন্দ্রিয়' ওইরকই। হকচাং অসিগীদমক্তদি করিসু ৱারুনিংঙাই মরম অমাফাওবা লৈতে, অসুমনা খল্লক্তু না শামুনা নীংখা তম্না জঙ্গলদা কোয়চৎ চৎপগুম চৎপা ঙম্লগনি। কনাগুম্বা হৌরকপদা ঙায়রিবা অচুম্বা মশক খঙনবা থিরিবা মীশক অমগীদি ভক্তিযোগগী লম্বীদা পুকচেল শেংনা চঙশিন্দুনা সাধনা কয়া কয়া তৌখিগদবনি, মাগীদি নীংখা তম্বা হায়বদুদি ফনা শাংনা ৱাৎলি।

নাত্যশ্নতস্তু যোগোऽস্তি ন চৈকান্তমন স্নতঃ।
ন চাতিশ্বপ্নশীলস্য জাগ্রতো নৈব চার্জুন ।।১৬।।

যোগগী থৌরমদা কনাগুম্বা মীনা মায় পাকপা হায়বসি, পঙচাদা চাবা অদু নত্তে, নৎত্রগা মতম কুইনা ইচা চাদবা মওং অদুসু নত্তে, হে অর্জ্জুন, পঙতুমদা তুমদুনা লৈবা মওংদুসু মসি নত্তে, নৎত্রগা শুক্তুম তুমদনা অৱাবা খাঙবা মতৌদুসু নত্তে। ।৬ঃ১৬ ।।

যোগী অমা ওইবদা, কেবা মৌবা অমসুং চেকশিনবা হায়বসিদা কা হেঞ্জিনবা মওং অমত্তা তৌরোইদবনি। মহাক মরম লৈতনা চরা হেল্লোইদবনি। মশাগী মপাম্বোংগী হকচাংবু অৱাবা পীবসু তৌরোইদবনি। অদুম্না তৌবা কনাগুম্বা মীশিংদু যোগী কৌদে হায়না গীতানা তাক্লি। চরা হেনবা, তুমদনা লৈবা, থবক অমত্তা শুদবা, নৎত্রগা মদুগী ওন্নবদা, কা হেন্না চাশিনবা নৎত্রগা তুম্বা, থবক কা হেন্না শুবা অসিগুম্বা কা হেনবা মওংগী লোনচৎশিং অসিনা যোগী অমা শেম্বা য়াদে। অচম্বা চীঞ্জাক কা হেন্দনা চাং নাইনা চাগদৌবনি, অঙম্বা থবকশিং চাং নাইনা তৌগদবনি, মতম চানা তুম্লগা মতম চানা হৌগৎকদবনি, মসিদি যোগী ওইবগী ৱাফম ঙাক নত্তে অতৈ থৌরমদসু মায়পাক্লবগী নিয়মনি।

"Ignorance, fickleness, jealousy, laziness and excessive attachment are the great enemies to success in yoga practice."

[বুদ্ধি লৌশিং ৱাৎপা, পুকচেল লেপ্তবা, কল্লকচাউবা, তনবা (শুনিংদবা) অমসুং কা হেন্না পামশিল্লবা মচাকশিং লৈবা হায়রিবা পুম্বসি যোগ গী থৌরমদা মায় পাক্লবা হোৎনবদা অপনবা পীবা ঙাক্তনি।]

য়ং লব্ধ্ব চাপরং মন্যতে নাধিকং ততঃ।
যস্মিন্স্থিতো ন দুঃযেন গুরুনাপি বিচাল্যতে।।২২ ।।

মদু ফঙলগা মখা অমুক ফঙনিংঙাই লৈত্রবা, মফমদুদা লৈরগা অৱাবা অমত্তা চঙদ্রবা (মওংদুনি যোগী অশেংবা) ।।৬ঃ২২ ।।

সর্বভুতস্থং আত্মনং সর্বভুতানি চাত্মনি।
ঈক্ষতে যোগযুক্তাত্মা সর্বএ সমদর্শনঃ ।।২৯ ।।

যোগদা থম্মোই লুপশিন্দুনা, মীৎয়েংদা পোৎ পূম্নমক মান্নবা মওংদা য়েংদুনা, জীব পূম্নমক্তা মহাক মশামক লৈরি হায়না খনবা মহাক্লি (অশেংবা যোগী) ।।৬ঃ ২৯।।

ঐখোয়না করিগীদমক লমচৎ ফজবা মী হায়বদু ওইফম থোকপগে? মীনা থাগৎপীনবরা, মীনা নুংশিবীনবরা? লুচিংবা ওইবা য়ানবগীরা? নৎত্রগা অতোপ্পা করি মরম লৈবগে? নুংঙাইবা পাম্বা মীশিংদি লমচৎ ফজবা হায়বদু ওইবা ঙমদে, লমচৎ ফজদবা মওংদা নুংঙাইবা লৈররোই নীংই। ইন্দ্রিয়গী পেন্নবতা থীবা মীশিংদি লমচৎ ফজদবা মী হায়বদু হেক্তমক ওইরকই। করিগীদমক লমচৎ ফজফম থোকপগে হায়বসিগী পাউখুম ওইনা য়াম্না ফজনা গীতানা তাক্লি। মী খূদিংদা, জীবা খূদিংদা নহাক নশামক লৈ হায়বা অচুম্বা ৱাফমসে খঙলবদি নশানা নশাগী ফত্তনবা নৎত্রগা ৱানবা থবক করিগী তৌরুগনি। মী অমদগী নহাক শেল–থুম হুরাল্লুরগা নঙনা করম্না নুংঙাইগনি, নঙনা হুরিবদু নঙ নশামক্তগী হুরুবনি, নঙনা অশোনবা মী অমবু ঙম্মী হায়দুনা ফুরুবদু, ফুরুবদগী চৈনাখোল ফঙলিবদু নঙ নশামক্লি খল্লগদি ফুরম্লোই। "He who sees everyone in himself, and himself in everyone, the sage does not injure the self by the self." [মী অমনা মশামক্তা মী অতৈবুসু উরবদি অমসুং মী অতৈদসু মহাক মশামক লৈ হায়বদু খঙলবদি, অদুগুম্বা মুনিদুনা মশানা মশাবু করিগী ৱানবা থবক তৌগনি।]

বিশ্বজগত পুম্বসিদা মহাক মশাবু চায়থোক্তুনা লৈরিবদু খঙলবা বিশ্ব অসিমক মহাকমক্লি খঙলবা মী অদু অশেংবা যোগীনি।

"The World is so evil because Jesus' teaching, "Resist not evil", has never been tried. Selflessness done, will solve the problem... Desire nothing for yourself. Do all for others. This is to live and move and have your being in God."

(যিশুনা তাক্লম্বা ৱা "ফত্তবশিংবু থিংলুগনু" হায়বদু ঙাক্লা চত্তবদগী পৃথিবী অসি ফল্লক্ত্রিবনি। ইশা ইশাগী কান্নবা থিদবা হায়বা ৱাসিতনা সমস্যাশিং কোকহনবা ঙমগনি... নশা–নশাগীদমক অপাম্বা অমত্তা ফাওবা থমগনু। অতোপ্পগীদমক থবক পূম্বা তৌ। হিংদুনা লৈনবা অমসুং নশামকপু ঈশ্বরদা লৈরে হায়বা খঙবা মসিতনা অচুম্বা লম্বীনি।)

অসংশয়ং মহাবাহো মনো দুর্নিগ্রহং চলম্।
অভ্যাসেন তু কৌন্তেয় বৈরাগ্যে ন চ গৃহ্যতে ।।৩৫ ।।

পূক্লিংদি য়াম্না ঙাওই হায়বসিদা চীংননিংঙাই করিমত্তা লৈতে অমদি মসিবু খুদুম চনশিনবসু য়াম্না লুই, অদুমকপু লেপ্তুনা হোৎনরগা অমদি বৈরাগ্যগী লোনচৎ থল্লগা পূক্লিংবু খুদুম চনবা ঙমগনি, হে পাঙ্গল কনবা ও! "চাং নাইনা হোৎনবা অমসুং সংসারগী অপাম্বা পুম্বা থাদোক্লবা অদু ওইরবদি অঙাওবা পূক্লিংবু লাকশিন্দুনা থম্বা ওইথোক্কনি।"

To restrain the sense organs from going forward the objects of the senses, to control them and bring them under the guidance of the will, is the very central virtue in religious culture. (ইন্দ্রিয়শিং অসিনা মখোয় মখোয়না পামজবা পোৎলমশিং অদু তম্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপদা মদুবু থিংবা অদুগা অনিংবা লম্বীদা পুরকপা হায়বসি ধৰ্ম্মশিংগী চৎনরোলশিংগী মরুওইবা ৱাফম্নি।

স্বামীজীগী সেবক অমনা হায়রকই ঃ স্বামীজী, অঙাওবা পূক্লিংবু ঈশ্বরগী মায়কৈ পুশিন্দুনা লেঙদনা থম্বা হায়বসি তশেংনমক য়াম্না লুই।

স্বামীজীনা খুল্লকইঃ "বীরনামেব করতিলগতা মুক্তঃ ন পুনঃ কাপুরুষানাম" তশেংনা অথৌবা (হিরো) ওইবা মীশক অমগী মফমদদি মুক্তি হায়বসি লায়না ফঙবা য়াবা পম্বুংনি, অদুবু অশোনবা মীশিংগীদি মদু ওইদে। চিত্ত হায়বদি পূক্লিং কৌবা পোৎশক অসি তরু তরুবা ঈশিংনা থন্না লৈবা পাৎ অমগুম্বনি, অসিগুম্বা পাৎ অসিগী ঈমায়দা হৌরক্লিবা ইথক ইপোমশিং অদু ঐখোয়গী ইন্দ্রিয়শিংদা ফাওরিবা অপাম্বশিংগী মমীশিংদুনি। অপাম্বগী মমিশিং অদুবু পুল্লগা পূক্লিং হায়নসু খঙনৈ।

অপাম্বগী ইথক ইপোমশিং অসিনা থবক তৌনিংবগী ৱারেপশিং ওল্লকই। লোয়ননা মপাম্বোংগী হকচাংগী মতেং লৌদুনা থবক কয়া পাঙথোক্লবা হোৎনরকই। অমরোমদা, থবক হায়বসি য়াম্মী, লোইবা নাইদে। অদুনা থবকশিংগী ফলশিংসু য়াম্মী। মওং অসি লৈবসিদা, ঐখোয়না পূক্লিংবু ইথক ইপোম হৌদ্রবা ঈং–তপ্পবা ঈশিংগী ঈমায় লৈবা পাৎ অমা ওম্বোকপা তাবনি। শুপ্নগী ইথক অমখক্তং হৌহনগনি মদুদি ঈশ্বর মাতবু ফঙজনিংবা হায়বা ভক্তিগী ইথক্তু নি। অদু ওইরবদি ব্রহ্মন মশামক শোয়দনা লাক্কনি।

অসংযতাত্মনা যোগো দুষ্প্রাপ ইতি মেমতিঃ।
বশ্যাত্মনাতু যততা শক্যোৎবাপ্তুমাপায়তঃ ।।৩৬ ।।

অঙাওবা পূক্লিংবু (কন্না হোৎনদুনা ) খুদুম চনশিনবা ঙমদ্রিবা কনাগুম্বা মীশক্লা যোগ হায়বদু ফঙদে অমদি পূক্লিংবু চেকশিন্না হোৎনদুনা লাকশিনবা ঙম্বা মীশক অদুতনা যোগ ফঙই। (যোগী ওই) হায়বসি কৃষ্ণ ঐগী অরেপ্পা ৱাফম্নি। অসুম্নসু হায়বা লৈ, নঙগী সংসারদি নঙগী পূক্লিং অদুনি। ৱারিবা, নুংঙাইরিবা পূম্বা পূক্লিংদগী থোকপা ঙাক্তনি।

(মথওঙ মথওঙ)...

# হিন্দু ধৰ্ম্মদা হিন্দু শাস্ত্র

**ককচিংতাবম ব্রজমনি শৰ্ম্মা**

করিগুম্বা ধৰ্ম্মতা অমগী অশেংবা মশক খঙনবা হোৎনবদা মদুগী সাহিত্য নৈনদবা য়াদে। মখল মথেল, মশা–মরেং, মনা–মপাল পূম্নমক্কী দায়ীত্ব মরু অমসুং মরানা ওইবগুম, ধৰ্ম্মতা অমগী য়ুম্ফম মাগী সাহিত্যনা ওই। হায়বা য়াই, পৃথিবীদা লৈরিবা ধৰ্ম্মতা পূম্নমক্তগী হিন্দু সাহিত্যনা খ্বাইদগী চাওবা হেল্লি। হিন্দু সাহিত্যগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা, পূম্নমক্কী য়ুম্ফম ওইরিবা লাইরিক্তী বেদনি। বেদ কয়া কুইরবা লাইরিক্লো হায়না লেপ্পা অরায়বা ৱাফম নত্তে। লাইরিক ওইনা ইথোক্লগা থম্লকপদি কুইদবা য়াই তৌইগুম্বসুং গুরুনা শিষ্যদা, শিষ্যনা অমুক মথং শিষ্যদা মথং মথং চীনফানা তাকপা, চীনফা পুদুনা তেক্ত কায়দনা থম্লক্লিবসিদি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমগী মমাঙদগীনি।

বেদ হায়বগী অর্থদি জ্ঞান, লৌশিং হায়বনি। খঙলকপা (বিদ) দগী বেদ (জ্ঞান) ওইরকখি। ঋষি অমনা চহী কয়া তপস্যা তৌরবগী তুংদা মঙোন্দা লাইপাউগুম্বা ৱাখল অমা লাকখি। মদু মহাক্লা হন্না হন্না খনখি, নৈনখি, মনুং হুনজিনবা অর্থ অমসুং অতৈ ওইবা য়াবা ৱাহম্বোক কয়া খঙখি। হায়রিবা মন্ত্র অদুবু মাগী শিষ্যশিংদা তম্বীখি, শিষ্যশিংদুগী মরক্তগী খরনা অমুক তোঙান–তোঙানবা ৱাহম্বোক কয়া অমুক পুথোকখি। অসুম্না ঋষি কয়ামুক্লা মহাক মহাক্লা ফংলকখিবা লাইপাউশিংদু হান্নগীদুগা অমদি অতৈগীশিংদুগা পুনশিল্লগা মপুং ফারবা লৌশিংগী মপৈ ওইনা তেক্তা কায়দনা থম্নরকখি। মসিবু বেদ হায়রগা খঙনৈ। বেদ মন্ত্রশিংসি পূক্লিংগী না, চৈতন্য ফংলকপনি তারকপনি হায়দুনা অমদি গুরুনা শিষ্যদা তাকপীদুনা তাদুনা খঙলকপা জ্ঞান্নি হায়দুনা শ্রুতি (তারকপা) হায়রগসু খঙনৈ। বেদবু অম্নয় নৎত্রগা অইবা লৈতে হায়দুনা অপৌরুষেয় হায়রগসু খঙনৈ।

শ্রীকৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাস মুনিনা মন্ত্রশিংদুগী মগুণ য়েংদুনা শরুক–কাঙলূপ মরিথোক্লা খায়দোকখি, মখোয়বু ঋগ, যজু, সাম অমসুং অথর্ব হায়রগা খঙনখি ঋগ বেদদা তাঙ্কক ২১, যজুবেবদদা ১০৯, সামবেদদা ১,০০০ অমসুং অথর্ববেদদা তাঙ্কক ৫০–পুন্না বেদ মরিগী তাঙ্কক ১১৮০ লৈ। যজুর্বেদদা শুক্ল যুজর্বেদ অমসুং কৃষ্ণযজুর্বেদ হায়না শরুক অনী থোক্লা খায়। কৃষ্ণ যজুর্বেদবু তৈত্তিরীয় অদুগা শুক্ল যজুর্বেদবুনা বাজসনেয় হায়নসু কৌনৈ। কৃষ্ণনা শুক্লদগী হাল্লি, অকোনবগীসি ভগবান সুর্য্যদেবনা যাজ্ঞবল্ক্যদা তাকখিবনি হায়নৈ। বেদ খূদিংমক্তগপ্প শরূক মরি মরি থোক্লা খায়দোক্লি। অহানবা শরুকপু মন্ত্র সংহিতা কৌই। মসি পদ্যাদা ই, লাইশোলনি। দেবতাশিংদা হিংলিঙৈ (ইহলোক) অমসুং শিরবা তুংদা (পরলোকতা) নুংঙাইবা পীবিনবা হায়জ–নোঞ্জ ৱাহৈশিংনি। অককবা ছন্দ, খোনথোক –খোনখাদা হায়গদবনি। মন্ত্র সংহিতাগী শরুক অসি ব্রহ্মচারি আশ্রমদা লৈরিবা ব্রহ্মচারিশিংনা নৈনগদবা, শক–শোনগদবা শরুক্লি। মথংদা ব্রহ্মন সংহিতা লৈ। মসি গদ্যদা ই, মন্ত্রশিংদুগগী ব্যাখ্যানি। মসিদা যজ্ঞ মখ মথেলগী নিয়মশিং তাকই। গৃহষ্ঠাশমদা লৈবা গৃহষ্ঠিশিংনা নৈনগদবা শরুক্লি। অহুমশুবদা অরন্যাক সংহিতা লাকই। মন্ত্রশিংদুগী মনুং হঞ্জিনবা , খর হেন্না কুপথবা অর্থ তাকপা শরুক্লি। বাণপ্রস্থাশ্রমদা লৈবা বানপ্রস্থীশিংনা নৈনগদবা শরুক্লি। অরোইবা অমসুং মরিশুবা শরুকপু উপনিষদ হায়রগা খঙনৈ। অরুবা জ্ঞানগী লনগৈনি। সন্ন্যাসাশ্রমদা লৈবা সংন্যাসীশিংনা নৈনগদবা শরুক্লি।

বেদনা নৈনরিবসি হীরম অহুমদনি, মদুদি কর্ম কাণ্ড, উপাসনা কাণ্ড অমসুং জ্ঞান কাণ্ড। কর্ম কাণ্ডদা মন্ত্র অমসুং ব্রহ্মণ ভাগশিংসি য়াওরে, পুন্না মন্ত্র ৮০,০০০ য়াওই। যজ্ঞগী মরম, কর্মগা মরী লৈনবা হীরম পূম্নমক তাঙ্ককসিদা নৈনরে। উপাসনা কাণ্ডদা অরন্যক ভাগ য়াওরে, পুন্না মন্ত্র ১৬,০০০ য়াওই অমসুং জ্ঞান কাণ্ডদা উপনিষদশিং য়াওরে, পুন্না মন্ত্র ৪,০০০ য়াওই।

ঋগবেদ সংহিতানা খ্বাইদগী লিরবা, মগুন লৈরবা অমসুং অথোইবা হিন্দুগী লাইরিক্লি। পৃথিবীগী লাইরিক পূম্নমক্তগী মসিনা মহাল্লে হায়নৈ। ঋগবেদগী লোন্দা–পুদা, শৈলি অমসুং লুল্লবা অর্থ চেনবদা তোপ তোপ্পী। মীওইবা জাতিগী তাঙলবা লন্নি। মসিগী পুরোহিতপু হোত্রি কৌই। ঋগবেদগী মন্ত্রগী অর্থ তাকপীদুনা মন্ত্রশিংগী কান্নফম খঙহল্লিবসি যজুর্বেদ সংহিতাননি অদুগা মসিগী পুরোহিতপু অধ্বর্য্যু কৌই। *(মথওঙ মথওঙ...)*